ৱারী ককনাউ

# ৯৮৫৬৪৮২৩২৪

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

*ৱারী* অমা তারকই। ঐখোয় লৈকায়গী বোয়নাওগী ৱারীনি। হন্দক্কী য়াওশঙদুদা থোকখিবা থৌদোকনি। বোয়নাও ৱায়োং কয়া চাদবা অঙাংনি। নহা ইনখৎলকপগী হৌনবী কোয়বা লাংবা ময়া ইহি হিগৎতুনা পুমলাং লাংজবা অঙাংনি। ইশম শম্না হায়রবদা চরখতিগী অঙাংনি। অদুগা মাগী ফবা হায়ববু ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নদে, ওইদবা পাদবা অমদি কা হেনবা থবক তৌদে। মানা ঙাউরিসি গ্লোবেলাইজেসননা পীরকপা খুদোল মোবাইলসিনি। মোবাইল সিমদি মা লাইদৌনা লাৎপীনি। শুংথা থাদে। মোবাইলগী রিচার্জ হাপ্পদা চোকথদে, মমা মপানা শেল খরা পায়বনিনা মঙোন্দা ইমুং মনুংগী অৱা-অনা, অৱাৎ-অপাগী কোক শাবসিমদি কয়া য়াওদে। য়াম নুংঙাইবা অঙাংনি। ঙাঙথোক শকতোরকপসি মগুণ অমা অদুম য়াওই। ঙাঙবা শকপা মীনা অদুম তানীংঙি। অদুনা মাগী মী ৱাৎতে। মশানসু ফুরিৎখাওদা শেল খরা খরা অদুম ৱাৎতনা হাপ্পনিনা মাই মতুংসি মীনসু অদুম ইল্লি। মমান্নবা পূম্নমক মাগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌই। মানা চৎসি কোয়সি, চাসি হায়বদা অমত্তা য়াদবা লৈতে। মরমদি মাগা লোয়না তিন্নবদা নোয়বা মমান্নবা য়াম য়াওনরবনি। কাওবোইগী অঙাংনি। মমান্নবগী ফোন চার্জ য়াওদ্রেদা হায়বদা মানা হেক্তা হাপ্পী, শৎপা হায়বসি মাগীদি থুখ্রজাৎনি। নহাশিংনা খোয়দাবা অনৌবা টি সার্ট অমা থোরকপদা পাম্মীদা হায়বদা মাগীসু মমান্নবগীসু অদুম লৈথবীনি। শেলগী জাৎসিমা মানা শৎ-শৎ শৎপীনি। শৎপা য়াম্না থুই, অদুননি ঐনা কাওবোয় হায়জরিসে। কাওবোয়দি শৎপা হেক তপ্পদা অমনা শৎ কাপ্পকপদা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা য়াইবী মাঙনরিবনি। বোয়নাওগীদি মানা পর্স শৎপসি অদুক্কী মতিক থুই। পর্সতুনা নোংমৈ ওইরম্লবা মানা কাপ্পা অদুম হাল্লদবজাৎনি। থুখ্রজাৎনি। মসি নত্তবা মাগী য়াম থুবা অমসু লৈ, লৈশাবী মশক মতৌগা খরা য়েংবা য়াবা, খিতংগা ফজবজাৎসিমদি শোয়দ্রে, মাগা অদুম খঙনরম্বীনি। শ্বাইসিমসু য়াম থুই।

মাগী ফুরিখাওদা মোবাইল ফোন য়ামদ্রবদা মঙাদগী তাদনা য়াওই। মোবাইলদু হাংলগা কন্টেক্টতা চঙলগা য়েংবদা য়াওরম্মীসি নুপী মমিং ঙাক্তনি। ঐনা খনবদা মদু মাগী মনে, মন্দোন, মমাবোক, মচে লোয়না ওইরমগনি থাজদে। মোবাইল মেৎপসিমা হৈখ্রে, নুপী মমিং অমা থিবদা ময়ামদুগী মনুংদা মোবাইল চাউবা মান্নদবা, মচু মান্নদবা অমা অনী শৎ শৎ পুথোক্লগা অমা তাপ হেক্তা পায়রগা শৎ শৎ স্ক্রিন টচ তৌদুনা শৎ শৎ চিংখিবদা অমা হেক্তা থোরকই। থক মেৎখি রিং হেক্তা চৎলি, ৱারী হেক্তা হৌখি নোকফেৎ নোকফেৎ। নুংঙাইখ্রবা বোয়নাওনি।

হন্দক্কী য়াওশঙদুনা মাগী বাইকতুদা মমান্নবা অমা হাপ্পগা খিতং হাইথবা মফম অমদা কোয়বা চৎপজাৎনি। মানা লীবা ৱারীনিকো, লমদুমদি মমিং পঞ্জররোই লৈশাবী ইনখৎলকপী পুঙ্কক পুঙ্কক চাউরবী খরা থৌরি থৎলগা লৈরমজাৎনি। মতুংদা তোংলিবা মমান্নবদুনা "বোয়নাও হল্লসি হল্লসি" হায়জাৎনি অদুদা বোয়নাওনা, "ঙাইখোহে কৈনোনে, ঐ তৌগে য়েংঙু" হায়রগা থৌজিল্লজাৎনি।

"য়াওশঙগী পৈশা পীরম্মু" হায়রগা বাইক মমাঙদা লৈশাবী অমা অনী চঙশিল্লগা লেপশিল্লগা ফারে, তুংদসু অনী অহুম য়োমশিল্লত্তুনা গাড়ী পায়দুনা লেঙবা য়াদ্রে। মনিংদা তোংবদুফাও কুমথবা নংদ্রে, বোয়নাওসু মখোংনা গাড়ীদু ঙাক্লগা নোকফেৎ নোকফেৎ খাইবা হৌরজাৎনি।

"পীগে পীগে" হায়রগা গ্যাও-গ্যাও লাউনা শেল অচোইবা খরা পুথোক্লগা লুপা চৎপী চান্দি অনী পীরেয়ে। অদুদা লৈশাবীশিংদুনা শাউরপনা, "কৈনো সিবু ফাগীরো, হৌজিকপু লুপা অনীনা কৈদৌদুইনো, ঐখোয় থাবল চোঙদৌরিনি লুপা চনী পীরমদ্রদি চৎপা য়ারোই হায়না হেক্তা খাকথরক্লবজাৎ ওইরে। অদুদা বোয়নাওনা নোক্লগা, "ও অদু হাই য়াদ্রো, ফরে ফরে, লুপা ৩০০ দুম পীরগে" হায়বদুদা শাউরম্বা লৈশাবীশিং হৱাউদুনা ৱা-ৱা লাউনা নুংঙাইনরে হায়। বোয়নাওনা মাগী পর্সতু তুংগী ফুরিৎখাউদগী মনিং খিতং কাংখৎলগা শৎলগা মশক খরা ফজবী, ৱাগা ইঙাঙ ঙাঙদবী, মমাইগা খরা কোইদানবী অমদা খুদোনবী শৎ থিল্লগা, "নঙগী ফোন নম্বর হায়রকও, শেল পীরগে" হায়জাৎ ওইরে। অদুদা লৈশাবীদুনা ইকায়জরদুনা মমান্নবী অমগী মরুমদা লৈশিল্লগা, "ঐখোয়দি অঙাংনি ফোনগা অমত্তা পায়জদে" থোক লাউনা খুমজাৎনি। অদুদা বোয়নাওনা খরা শাউশিন্নরগা, "লৈশাবী ফাদ্রি অঙাংনি হায়রবনিনা লুপা অনীসি য়ারে সে লৌরো" হায়না ঙসাইগী গ্যাও-গ্যাও লাউবা চান্দি অনীদু পীরজাৎ ওইরে। অদুদা লৈশাবীশিংদুনা খুনিংনা মখোয় মশেল থাক থাক থিন্নরগা লৈশাবী অমনা থুনা খুম্মকই হায়, "হায়রগেসে ইশিল্লো ৯৮৫৬৪৮২৩২৪"। বোয়নাওনা মাগী ফোন্দা নোক্লা-নোক্লা নম্বরদু ইশিল্লগা লুপা চহুম পীরম্মগা হল্লকই হায়। অদুদগী বোয়নাওনা ময়ূম হেক য়ৌবগা নম্বরদুদা মেৎলুবদা, "য়োর দাইল নম্বর ইজ নোট য়ুজ" হায়না হায়রকপদা বোয়নাওনা মাগী ফোনদু লাক্তুনা ফমুংদা লংই হায়রিসিনি।

---

লমকোয় ৱারী


# শকমান্নবশিংগা খঙন-উনরকপা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**নোহ থিয়েটরগী মতাংদা খরা ঃ**

Noh is a form of ancient Japanese composite stage Art based on the four elements of Song, Dance, Music and Drama.

জপন্নিজগী "নোহ" থিয়েটর মমিং চৎলি। জপান্দা চৎলগা মখোয়গী ট্রেদিস্নেল ফোল্ক আর্টকী মনুংদা "নোহ থিয়েটর অমদি কাবুকি ডান্স" উবা ফংলবদি লাইবক ফরবনি হায়নৈ। তাঞ্জা চাবা হায়বসি পংনা ফংদে। Yoshinobu Sei, Secretary General, The Japan Committee, India-Japan study committee নোংমা মহাক্না হোটেলদা লাক্লগা হায়রম্বদগী খঙবনি। মহাক ঐখোয়গী মণিপুর মশক খঙঙি। মণিপুরী জগোয় মখল য়াম্না উখ্রবা মীশক্লি।



Noh Play House, Tokyo

ঐখোয় ওসাকাদা "নোহ" য়েংনবগী ইনভাইট ফংদুনা চৎখি। নো থিয়েটর অসি করিনো হায়বা পাবিরিবশিংদা তেনতক্না থমজগে। "নোহ থিয়েটর" হায়বসি জপন্নিজশিংনা অঙনবা মতমদগী ফম্বাক্তা শান্নরকপা, অমুক্তদা ঈশৈসু, জগোয়সু, অয়ে-অখোঙ পূল্লপ য়াওনা, ৱারী পরিং অমদা শান্নবা প্লে মখল অমনি। য়াউরিবা মী খুদিংমক মাইউপ (Mask) লোইনা উপকনি। মখোয়গী হকচাং শাথেক-শাওং, চৎপা, লেপ্পা খুদিংমক তোংঙানবা মশক অমনি। নোহগী শো অমখক য়েংলগা নোহ খঙবা ৱাগনি। খঙগে হায়রবদি অহানবদা শান্নফম মফম, উৎফম ফম্বাক (Stage) হান্না খঙবগা লোয়ননা য়াওরিবা, লীলারোইশিং (Players), ঙাঙনরিবা-হায়রিবা খোন্থোক (Chanting) মখোয়না শীজিন্নরিবা ম্যুজিক, ফিজোল (Costume), মাইউপ (Masks) অমদি পোৎচঙশিং (stage Properties) অসিনচিংবা অসিসু হান্না কুপ্না খঙবা মথৌ তারি। নোহ প্লে য়েংবা তারবদি, মখোয়গী নোহ শান্নফম অমদা তঙাই ফদনা চৎতবা য়াদে।

জপন্নিজশিংনা মখোয়গী মনাৎপু কয়াম কন্না য়োকখৎনবা অমদি মসিবু হিংহন্নবা হোৎনবগে হায়বসি নোহ থিয়েটর য়েংবদা খঙঙি। অফঙবা ষ্টেজ অমদা নোহগী আর্টিষ্ট খর লাক্লগা হেক্তা শান্নবা নত্তে। নোহ শান্নগদৌরিবা ওদিটোরিয়ম অসিমক মনাৎকী ওইবা নোহগী হোল অমদনি। প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী মচৎতগী খরা খিৎ হেন্না তোংঙানবা মওং অমনি। ঐখোয়না চৎলগা য়েংগদৌরিবনি। নোহবু ঐখোয়গী শুন্মাং কুম্মৈগুম কৌরগা শান্নহনবা চৎনদে। নোহ অসি শান্নবগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমা লৈজরি। নোহ থিয়েটর য়েংলিবশিংনা য়েংলিঙৈ মনুংদা য়েংনা-য়েংনা, ফম্না-ফম্না, মশাবুসু ঈশৈ-নোংমাই, জগোয়গী তান্থাদা তাওহনবনি, মশাবুসূ য়াওহনবনি। মসি ফংনবগীদমক মীয়াম্না য়ানরবা - অচম্বা মতৌ (Simplicity), চাং মান্নবা অমত্তা ওইবা মতৌ (Unity), অথোৎপা অমেঙবা মতৌ (Harmony), মশাগী ওইজবা শকখঙ ময়েক, নোমুনা (Pattern) অসিনচিংবা অসি নোহদা লৈবা তায়। নোহগী হৌরক্লোন, পুৱারী লৈরি। অঙনবা মতম, Nara Period (645-794) তা লৈরম্বা মওং অসি Sangaku হায়না কৌই। মতুং তারকপা Heuan Period (794-1185) অসিদা Dengaku হায়না হান্না লৈরম্বা মওং অসিগা Sangaku অসিগা য়ানশিন্নরপ তৌবা মওংদা শেমলকই। মথং-মথং চাউখৎলকপগী মতুংইন্না, হান্না লৈরম্বা মওংশিং অসিদগী তপ্না-তপ্না অমুক Sarugaku হায়না মমিং ওন্দুনা শান্নরকই। Sarugaku অসি তোংঙানবা লাইশংশিংদা লাইনিংবা মীওই কয়ানা পূনশিন্নদুনা শেমখিবনি হায়। Kanze শাগৈগী চাদা-নাওদা ওইবা Kasuga লাইশঙদা, লাইনিংবা Kannami না Sarugaku অসিদা অনৌবা মথেল Kusemai হায়বা মচল খরা হাপচিনবদগী হেন্না মশক থোকপা হেনগৎহল্লকখি। Kannami গী মচানুপা Zeami অসিসু পীথোকলকপা হৈশিংবা কয়ানা লৈতেঙলকই। মপা মচা অনীসিনা মমৈথংদা অনৌবা মওং অমা "নোহ" অসি পুথোকলত্তুনা মীয়ামদা উৎখি লোয়ননা মখোয়গী শাগৈগী মিং লৌদুনা Kanze School of Noh হায়না থোন্দুনা মসিগী তম্ফম লিংখৎখি। নোহবু হিংনবা অমদি য়োকখৎনবা কন্না হোৎনরকখি। ঙসিদি Japanese Noh অসি মীরোল অমদগী মীরোল অমদা শমথরত্তুনা লাকপনা, ঙসি ফাওবদা জপানিজ স্কুল কয়া হাংদুনা লৈরে।

নোহ শান্নফমসি মশা য়াম্না নাল্লি। লৈমায়সু উপাক্লি। খারিবা, মথক কুপ্লিবা খুদিংমক উ ঙাক্তনি। ফম্বাক্কী পাক-চাউবনা, ফুট ১৯ গী মরাক-ময়ুং পাক-চাউবা মান্নবা অমদি ফম্বাক্কী মখোং মরীমক অচৌবা উগী য়ূম্বী ওইগনি। বেক দ্রোপ অসিদা অপীকপা উচান পাম্বী অহুমদগী তাদনা য়েক্লি। নোহ থিয়েটরদা করেক্টর রোল কুপ্লিবশিং অসি ইচম-চম্বা মী অমনা হেক্তা য়াদে। মহাক ফুরুপ অহুম-Shite, Waki অমদি Kyogen হায়রিবশিং অসিগী মনুংদগী মীওই অমা ওইগদবনি। Shite হায়বসি মরুওইবা মীশক, করেক্টর অমনি। Shite দি অমখক লৈগনি। মহাক মাইউপ শোয়দনা উপকনি। Shite শিংগী মনুংদা অমুক-Tsure, Tomo, Kokata হায়না মখা তাবা করেক্টর খরসু লৈরি। মখোয়শিং অসি অয়াম্বনা নুপীগী রোল কুমগনি। মখোয়সু মাইউপ লোইনা উপকনি। অতোপ্পা Waki অমদি Wakitsuru হায়বা করেক্টর রোল অনী অমসু লৈরি। মখোয় অসিদি মাইউপ উপলোই।

নোহগী অহানবা অমদি অনীশুবা তাঙ্কক অনীগী শম্নফমদা, ফাগী পুবা করেক্টর অমনা নোহ অসি শম্নহল্লি। করেক্টর অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মসিবু গত্রণঞ্জ্ঞ্ঝহায়না খঙনৈ। পঞ্জরিবা খর অসি নোহ প্লে অমগী মরু ওইবা করেক্টর রোল ঙাক্তনি। করেক্টরশিং অসিনা মখোয়গী অচোনবা ফিজোল শেৎলগা, মশা লৈদুনা, মুক্তুনা মশা নোম্লগা এক্ট তৌই। মখোয় মশাদি ৱা ঙাঙদে। নাকন্দা Utai হায়না খঙনবা নোহগী ম্যুজিক তৌবশিংনা, ঈশৈ ওইনা, লাইরিক হায়বা-থীবদৌনা মখোয়না এক্ট তৌরিবা অদুগা চান্নবা মীয়াম মমাঙ থোক্লা শরুক য়াই। মখোয়দি হৌবদগী লোইবা ফাওবা, মানা-মানা পায়গদৌবা য়ৈনবা অমদি খোংনবা-Kotsuzumi (অপিকপা ড্রম), Otsuzumi (ময়াই ওইরপ চাউবা ড্রম),Taiko (অচৌবা ড্রম) অমদি Fue (বাশি) পায়দুনা য়ৈবা-খোংবগী থবক তৌই। নোহগী মরমদা য়াম্না কুপ্না লৈ। পঞ্জরিবা অসিদি খঙদবা য়াদবা খরতনি। য়াম্না লায়না লৌবা য়াদবা আর্টফোর্ম অমনি। হৌজিক ফাওবদা নোহ উৎফম অসি জপানগী টোকিও খত্তদা তরেৎ(৭) লৈ হায়না তাকলকই। টোকিওদগী হাইদোকখিবদা উৎফম মফম তরানীথোই (১২) লৈ। নোহ প্লে অসি ময়াই ওইরপ শাংঙি। ঐখোয়দি থাপ্না হনগদবনা লোইনা য়েংবগী মতম ফংলকখিদে। প্লেগী তঙ্খায় চল্লকপদা হল্লক্লবা থৌরাং তৌখি। মরক্তা হৌগৎলগা থোকপা অদুম য়াই। ঐখোয় মী খরদি, মখোয়দা ঙাঙনরগা মখোয়গী গ্রীন রুমলোমদা তামো রতনগা লোয়ননা য়েংবা চঙনবগী অয়াবা পীরকখি। শান্নরিঙৈ মনুংদা মখোয়গী গ্রীন রুমদা মখোয়না করম্না ফি শেৎলি, করেক্টরশিংনা করম্না, ইন-আউট তৌবগে হায়না উবা ফংবসিমুক



Noh Performance, Tokyo

মমল য়াম্বসি অতোপ্পা আর্টফোম অমদা ফংবা ৱানা থোক্লগনি। অঙকপা ডিসপ্লিন অমনি। অতোপ্পা তাইবঙ পানবা অমনি হায়না লৌবা ফাওবা য়াই। মসিদি ৱারী লীরগা, পাউ তম্বনসু য়ৌবা ঙম্লরোই। ওসাকাদা লৈবা নোহ থিয়েটর, কিটা-কু ওসাকাদগী নোহ য়েংলুরগা হল্লকপসি, শান্নফমদগী মপান থোকলক্লে হায়বা থাজখিদে।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

***(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)***

---

# শান্তি ফংবা

—হুইরোংবম বেনুবালা—

*ভুগলগী* লাইরিক্তা থেংনখিবা লম্মীৎ তুমিৎশিংবু চীনফা পুগদরা? ইতিহাসকী লৈবাক ময়ামগী নিংথৌরেলশিংনা পাল্লম্বগী চহী চিনফা পুগদরা ফনা লুই। অদুদসু নত্তবা ময়াম অমনি। কেমিষ্ট্রিগী, ফিজিক্সকী অদুগা মদুগা য়ানশিন্নরগা অসি ওই হায়বা ময়াম অমসু লৈরিবনি। মসিগুম্বা ময়ামসিদা পুবা থাংবা ঙমদ্রদুনা লৈকায়গী লম্পাক মচাদা ফুটবোল কাওদুনা অয়াম্বদা মতম লেনখিবা ঐনি। উচিন নাচিন্না ইবাই অনম কনবা অমনা মেট্রিক অহানবা থাবদা ফেল ওইরকপা ঐবু হঞ্জিন হঞ্জিন মিং চনশিনবীদুনা ইমায়-ইমিৎ ঙাঙবমখৈ চহী অহুম ক্লাস টেনগী ফালদা ফমহন্দুনা মেট্রিকসিদং পাস তৌহৌবনি। ইন্টরভিয়ু ময়াম অমা শেল তিংন তিংনা হৌখিদুনা মমৈথংদা গ্রেদ ফোরগী পিওনগী ফম অসি পায়হৌবনি। ঐনা জোইন্ট তৌদ্রিঙৈদা ইবাইদা শাউরংননা হায়রুই "তলবসিদি পীকখ্রেদা ইবাই।"

ইবাই অহলনি, ইচে অহল লৌবনি। মমায় ফাওবা ওনশিল্লকখিদে।

"ফমনখ্রে। তলব অচৌবগীদা কয়ারক শুরগে শেল হন্দোরকইদো, কাউরব্রো?"

ভাব তারুবগী মহুত্তা শাউনীং শাউনীংদুম তৌখি। চৎলগে তাক্লমদনা য়ূমদা তুমিন হল্লকখি। নুমিদাং লাক্তুনা ইমাদা করি করিনো হায়রম্মী। হংদ্রবসু খঙই অদুনা করি হায়রম্বনো হায়বা ইমাদা ঐ হংখিদে। ইবাইদো অচৌবা ওফিসারনি। ইচেসু কোলেজগী ওজানি। মখোয় অনীগী তলব কয়া য়াম্বজাৎনো। অদুবু ইবাইদুদি চাউথোকপা হৈতে, ইচেসুনি। ইঙা ইঙেনগী নোংজুথা মতমদা য়াহৌ ঙন্না হৌগৎতুনা ছাতিন অমা পায়রগা মল্লি মল্লিবদা হেক্তা লবুক চৎখি হায়। ছাতিনদুসু শেগায়বা মামনা শীজিন্নরম্বদুনি। লৌ লোকপা মতাঙদা ইমানা ঐবু খরা য়াওরুচো হায়রকপা ঐনা হায় "পৈশা অদুক য়াম্না পায়রিবু মী নেকথোকপা য়াদবা জাৎলা?"

ইমানা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা হায়রকই "হো নঙগুম্বা কতন নত্তেয়ে নবাইদো। খরা পাংবিরু হায়বনি তল্লগা তল্লে হায়য়ু।"

তল্লি হায়নীংদবদগী চৎলুই। ঐনা চৈরোং পায়দুনা লেপ্লিঙৈদা ইবাইনা খূৎতগী চৈরোঙদু তাপ মুনখি। ফরেদা খন্দুনা য়ূমদা ঙস্তা হল্লকই। নুমিদাংদা জীপ অমনবীদুদা ফৌ বোড়া অহুমগা চরু মপুন তরামুক্তা হাপচিল্লগা শুমাঙ মতোন তান্না থৌজিল্লকই। ইচেসু য়াওরকই। ঐবু কৌরকই, "তোম্বা! নবাইগী বোরাসি অমুক্তা পায়রোলাও। শঙবায় অনী হাঞ্জিনবদা পেন্দ্রদুনা লাইতং মচা অমমম অমুক হৈজিল্লকপনি। হয়েং হংচিৎতি মখ্বাং য়াদ্রে হায়রক্লনি।" ঐনা মনাক্তা লেপ্লুবদা খংলাউ লাউরকই,

"নঙ্গনদা ইনখৎলকউ, ইথন্তা পুগে।"

ইবাইদু মবুক ওন্থোক্লা ফখ্রবনি। ঐঙোন্দা ফবগী ঙাক নত্তনা লৈকায়দসু ফৈ ফৈ অদুম হায়নখি। কৈরোই লৈকায়দা নত্তনা ওফিসকী মথক থোংবা মখা থাবশিংনসু ফৈ হায়না লৌনবা ময়াম অমনি। অতোপ্পগীদমক্তা থবক তৌরমগনি, অদুনবু ফৈ হায়রিবনি। ফত্তে হায়নদে। ঐখোয়গী লৈকায়দা লৈবা মমা জুগিন প্রধানগী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। ময়াম্না ঙাঙনখি। "কদায়দৈ কানি, মাগুম্বনা ভোট লেপ্পবু। কুন্থ্রারক লেপ্লসু মীফত্তা মাদি শুক্না কারোই।" খুড়া কহ্নাইসু ময়াম্না ফত্তে হায়নৈ। খুড়া কহ্নাইবু ফত্তে হায়নবনা পিবা মথন্তা পোকপা মানা মমা হনুবীদু শিরমদাইদা চাক মবুক থন্না পীজখিদে অসিনি। লৌ পরি তরেৎ চাবা কহ্নাইনি। মচল নুপী অহুমদু চহী অমগী অমুক্তং তাঙনা থোকপা নিঙোল চাক্লৌবদা অমত্তা লাক্ত্রে হায়নখি। ইন্দোমচা জমুনানা মখূৎও মশাও ঐখোয় শুমাঙদা "কল্লত্তুম পেল্লি খরসু খঙজসনু। ফৎমন লাকমন্দে হিংচাবসে, মশকনেনা কম্বোং অরৌবা হেক মাল্লদনা...। ৱারী ৱাতাইকা শামীন্নজনীংদে, তঞ্জে।" মমৈদা ঐঙোন্দা ওনশিল্লগা হায়রম্মী "হৈ তোম্বা! মুন্না তাশিল্লু ইন্দোমচানা হায়রিসে। নঙসু পিবা নথন্তনিকো, ইচেসে লায়নগা থৌগল তৌবা য়াদেকো। অহল লমন লুনা তৌগদবনিকো।"

নোংমা অয়ূক অমদনি। ঐনা শুমাং ৱাই শিৎলিঙৈদনি। ইবাইখোয়গা য়ূল্লোন্নবা নুপামচা অমা হোবে হোবে চঙলকই।

"কৈদৌবা য়াওরে... ঙস্তানা ফাওরক্লিদি?"

"তাচৌদো ঙরাং হল্লক্ত্রে হায়দনা থিনবদা ওফিসতগীদি কুমখ্রে খঙলে। অদুগা য়ূমদি য়ৌরক্ত্রবদুদা ঐখোয় ময়াম হংনরিঙৈদা ইতৈমদা ফোন তৌরকই হায়। কিদনেপ তৌখিবা ওইরমাল্লে। ইতৈমনা থুনা লাকউ হায়রুচো থারকপনি।"

খূৎতগী শুমজিৎতু লংথোক্লম্লগা গাড়ী মচাদু ইন্থোক্তুনা থৌদোরক্লে। নুপামচাদুসু হান্না থৌখ্রে। মীয়াম্না ফৈ হায়নবা ইবাইদুনা কনাদা করি কায়রুবা হায়বা ঐ লাম্বা ফংখিদে। অচুম্বা হায়বদু কদায়দনো, ফজবা হায়বদুনা করিবুনো খন্দুনা চৎচবা ইবাইনা কনাগী করি শোক্লমগদগে ঐদি করিমতা খঙদে।

ইচেদো ঐবু উবদা হৌনা কপখৎলকই, অদুগা কপ্না কপ্না হায়রকই, "তোম্বা! নবাইদো মরাল য়াম্না লৈরমাল্লে। নবাইদো য়াম্না ফৎলমদ্রমাল্লে তোম্বা।" ঐ তশেংনা নুংঙাইখিদে।

লৈকায়গী মৈরা পায়বী ক্লবকী নহারোলশিংনা পূন্না শিন্দুনা ধরনা ফমখি। তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরক্লবা শোয়দ-ঙামদনা খূৎশিন্নবিনবা ৱাহৈ ময়াম ইবা ফেষ্টুন ময়াম অমা পায়দুনা মীয়াম্না ধরনা হন্না হন্না ফমখি। ওফিসকী ওইনসু ষ্টাফ ময়াম্না ওফিসকী গেৎতা ফমখি। পাউচেদা কয়ারক ইমুং মনুংগী ওইবা ওফিসকী ওইবা হায়জ-নোঞ্জ ময়াম অমা হাপখি। ইচেদুসু ময়াং কংত্রিক কংখ্রে কপ্পুনতা অয়াম্বা লৈখ্রে। মমৈদা কপমন্দুনা মখোঞ্জেল পীকশিনখ্রে।

তরেৎনি শুবগী অয়ূক্তা ওইথংবা খুকউদা নোংমৈনা কাপ্পুনা চৈরাক পীরম্লগা ইবাইবু থনমখি। ঈ য়াম্না চৎমনখিবনা ইবাইদু মশা শোন্থরমাল্লে। হোস্পিটালদা ওপরেসন তৌরবা মতুং ফনা কুইনা লৈখি। মশা খরা কনখৎলবা মতুংদা য়ূমদা পুথরক্লে। ঐসু নুংঙাইতবা অমা য়াওনা কন্না শেন্নখি। তাল্লক অমদা ঐবু মনাক্তা কৌশিল্লগা নোকফেৎ তৌনা হায়, "তোম্বা, নঙনা ঐঙোন্দগী হেন্না মপোক ফরবনিহে।"

"কদায়দগীনো, ওন্থোক ওন্থোকপা ঙাক্তা হায়বিরিসিবু...।"

"হায়মা, নঙসিদি হৌজিক ফাওবা পংলিদনা। নঙগী পুন্সিদো শান্তি ওইরবনি। পৈশাবু য়াম্না থোক্লবা, পায়রবা, মরাল লৈরবনি খঙউ। নঙনা পিওন্দা ৱানোম্বী হায়দনা ইবাইবু শাউখিবদাই, মদুনা ফরদ্রনে হা?"

"হোয় ফরে হায়বা তারে ইবাই।"

"ফররিনিনে হৌজিক্তি, ফররিনি।"

ঐগী নঙ্গন্দা ৱাশিংদু হায়রগা পোপ পোপ থারকই। ইবাইদি নোকই ঐদি নোকখিদে। পূক্লিংদা খল্লি ইবাইদগী হেন্না মীয়ামগী থবক তৌবা, মীয়ামগী ফননবা শিনবতদা মপুন্সি ফাওবা কথোকখিবা কয়াসু মরালগী চৈরাক ফংখিবা কয়ামুক মালেমদা লৈখি।

হৌজিক্তদা নোক্লিংবসু পোক্লত্তবা নত্তে। লাইরিক য়াম্না পারত্তবা, পাড়া ফাদবগী ফাল মথক্তা তোয়না লেপ্লকপা, কপ্লাক অনীমক শাজৈ তোয়না চারকপগী মতিং মতিং পোমখিবা ঐনা শান্তি ফংলবা! ইমানা লাইমন ওইখি - হুরান্দুনা চাহৌরনিনে নঙবো হায়না অয়ূক খুদিং নুমিদাং খুদিং চৈ থাংখি। ঐনা শান্তি ফংবা তারবা! ইবাইনা চৈরাক ফংবদু চুম্বা ওইরিদরা কূপ্না খঙদে। ঐনা খঙখিবদি ঐ অমনা চুম্লে খনবদুনা অচুম্বনি খনবদি য়াদে। মীয়াম্না য়ানবদুনা অচুম্বনি হায়না লৌগদবনি।

খরা লৈরগদি নোংমা মামা জুগিন থেংনরে। ঐবু হেক উবগা তনকৌ কৌরকই, "তোম্বা! নবাইদুবু পাউ অমা তারিসিবু চুমব্রানে?"

"চুম্লমগনি মামা।"

"এঃ চুম্লমগনিসু হায়নে মসে ইরি লিখৎলদনা। নবাইদুসু ঐখোয়দা ট্রেনিং তৌহৌদেদো, অচুম্বা চৎলিবনি হায়দনা।"

"ইবাইদো পঙবা হায়বদুনি মামা। মামাখোয়দৌনা শিংলম্লবদি নুংঙাইনা হিংগদবনি।"

"অদুনিনে, ঐখোয়দি ওফিসারনি হায়দনা চুমদ্রিং চৎপনদি ওইবা য়াদবনি। হৌজিক্তি ৱাখল তাররিনি।

ঐ অমুক মখা তারমদে। প্রধানগী ভোট কাখিবদু নীংশিংলকই। খরা লৈরগা ঐনা ওফিসতগী হল্লকপদা খুড়া কহ্নাইদু মাঙ্গোন্দা ইমাগা ৱারী শান্নদুনা লৈরম্মী। ঐদি ফত্তবা মীসি মশক ফাওবা মুন্না য়েংনীংদবা জাৎনি। কৌদবদি য়াদবনা কৌই "খুড়া করি থবক্কীনো, লাকথোক্তনা...।"

"কোয়রকপা য়াদ্রবরনে তোম্বা? নবাইগী ৱারী শারম্মিবনি।"

"ইবাইগীদি দষা হায়বদু তারে খুড়া।'

"করি দষানোদা অঙাং, মীনা য়াননবা চৎপা হৈতদুনা তৌরিবনি।"

ঐ পিং লাউই। অদুবু ফিংগত্তনা হায়, "হোয় মাবু য়ানিংদবসু লৈরম্বা জাৎনি।"

"হোয়নে অদুনিনে। মী তিন্নবদি হৈতনা, ঐখোয়না হিংলিবসিদি মখোয়গুম্বগী তলব চাউনা চারিবনিকা হায়বদুনা হেনবা নত্তে হায়বা। পাড়া য়াম্না ৱাৎলি।"

"মামাগী পাড়াদুদি ইবাইনা তম্লকপা লাইরিকশিংদুদা য়াওরম্লরোই।"

"লাইরিক্তং হৈরগা লাইশুদি য়াওদবা, খঙলব্রা?"

ইমানা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলকই। ফিরোল হোংনা হোংনা খল্লি, মখোয়দি চৈরাক ফংলোইদবা মী অফবা হায়দুরা?